# নিফুমরিশুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা মীৎয়েং অমা

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল হায়বসি মণিপুরগী ফেষ্টিবেলশিংগী মনুংদা মরুওইবা ফেষ্টিবেল অমনি। ফনা কুরক্লে মণিপুরদা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল শীন্দুনা লাক্লিবসি। অদুনবু হায়রক্লিবনি ৪৪ শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল। মরক্তসু চহী খরা লেপ্পা য়াওখি। মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শিনবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলনা মণিপুরী শুমাং লীলা য়োকখৎতুনা লাক্লিবনি। ৱাফম অসি ককনবা ৱাহৈ লৈতে। অদুবু হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী থবক চথরে হায়দুনা ৱাথোক ওইবসু মশিং থিঙমদনা য়াওখি। হৌজিক চথরিবা ৪৪ শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অসিদদি শেঞ্জাবা জজ য়াওদবা ওইসনু।




পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ফেব্রুৱারী ১৩ দগী হৌরগা মার্চকী ৪ ফাওবা চথগদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা নুপীগী লীলা কাঙলুপ ১৬ অমসুং নুপাগী লীলা কাঙলুপ ১১ না শরুক য়ারি। নুপী কাঙলুপকী লীলাশিং উৎপা লোইখ্রে। নুপা কাঙলুপকী হৌরক্লে। নুপী লীলা কাঙলুপকী লীলা উৎলিঙৈদা ওইখিবা শক্তমগা নুপা কাঙলুপকী লীলা উৎলকপদা ওইরিবা শক্তমগা খেন্নবা খরা লৈরে। হায়বদি, অয়েংবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লে। নুপা কাঙলুপকী লীলা উৎপা হৌরকপগা লোয়নন৷ ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনগী মমাঙদা থান্দুনা থল্লিবা পেট্রোমেক্সসু মতম চানা মুথৎপা মতম চানা থানবা ঙম্মবা হোৎনরক্কনি নীংঙই।

অয়েংবা মীগী মশিং খরা হন্থজরবসু নুপী শুমাং লীলা কাঙলুপকী লীলাশিং থৱায় য়াওনা লীলা শান্নখিদে হায়বদি য়ারোই। থৱায় য়াওবননি নুপী কাঙলুপনা নুপা কাঙলুপতগী মশিং য়াম্না হেল্লিবসি। চথরিবা ৪৪ শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াখিবা নুপী লীলা কাঙলুপশিং অদুদি ৱিমেন্স আর্ট এন্দ কলচর এসোসিএসন, দি মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পাফোর্মিং সেন্টর, ওল মণিপুর ৱিমেন আর্টিষ্ট এসোসিএসন, কাংজাবী মৈতৈ চনু আর্টিষ্ট কম দ্রামা এসোসিএসন, ৱিমেন ফোর কলচর সেন্টর, দি চনুরা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন, ৱাংথোন্বী মচা ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন, মৈদিংঙু খাগেম্বা নুপী শুমাং লীলা মরুপ, মালোম টুলিহল অৱাং লৈকায় নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপ, দি চিংঙু থাংজিং ৱিমেন আর্টিষ্ট এসোসিএসন, ৱিমেন্স দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, হৈরাঙ্গোইথোং ৱিমেন সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, দি ন্যু দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, য়াংঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসন, তুবী লৈমা নুপী শুমাং লীলা কম দ্রামা মরুপ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, শিবা যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন অমসুং দি ইম্ফাল ঠিএটরনি।

চথরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপা লীলা কাঙলুপশিং অদুদি লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, পোক্লেনপোকপা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট, ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন, টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট এসোসিএসন, তোমথিন আর্টিষ্ট এসোসিএসন, মণিপুর কো আর্টিষ্ট এসোসিএসন, দি নোর্থ ইম্ফাল মণিপুর যাত্রা মন্দল অমসুং সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসননি।

লীলাগী লূপ পুম্নমক্না থৱায় য়াওনা লীলা শান্নরক্কনি হায়বসিমদি মশানা তারবনি। মরমদি ফেষ্টিবেল অসিদা উৎখিবা ফজবা লীলা অদুনি য়াওশংগী মীয়াম্না পাম্না কৌনবা লীলা ওইগদৌরিবসি। হৌজিক মহৈরোয়শিংগী ইগজামিনেসন লৈবনিনা লৈকায় অমসুং অতোপ্পা মণিপুরগী মফমশিংদা শুমাং লীলা উৎপা য়াদ্রি। লীলা উৎপগী অথিংবা থম্বা অসিনা কনাগুম্বা লীলাগী কাঙলুপ খরদদি নীংথিজনা লীলা তমহৌনবগী তাঞ্জা পীরে হায়না লৌরম্লোইদবগী মরম লৈতে। অদুবু লীলা হায়বসি মীদিয়ানি হায়রগা করিগী হরাউ কুম্মৈ থিংবগী থবক্তা শুমাং লীলাসু থিংজিল্লিবনো। শুমাং লীলা থিংজিনবা অসি ফত্তবা অমনি হায়না হায়নদবসু নত্তে। শাংলবা মতম অমা লীলা শান্নদনা লৈবা অসিনা আর্টিষ্টশিংদা অৱাবা কয়াসু পীরিবনি। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিংসু লীলা শান্নবদগী ফংলকপা শেনফমনা ইমুং-মনুং পুনরিবনি। মচা-মশু লাইরিক তমহল্লিবনি। আর্টিষ্টশিং অসিসু শিনফম অমা ওইনা থোরক্লিবনি হায়বসি ৪৪ শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল অসিদগী মীয়াম্না খঙবা ওইরসনু।

লৌশিং পুক্কে

# মীরোনবীশিংগী পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম

নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অহোংবা কয়া থোরকই। মালেমগী ওইনা য়েংবদা মীরোনবী চাদা ১০ অমসুং অঙাং উনবদা ঙাইরিবা নুপী চাদা ১৩ দিপ্রেসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়বা খঙলে।

চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদনা অমুক্কা হেন্না চাং ৱাংনা থেংনরি। চাউখৎপগী মমি শান্নিবা লৈবাকশিংদা মীরোনবী নুপী চাদা ১৫.৬ অমসুং অঙাং উনবদা ঙাইরিবী নুপী চাদা ১৯.৮ ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্নে হায়রি। ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দল্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈ অমসুং অঙাং উনখ্রবা মতুংদা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদগী অঙাং য়োকপদা অৱাবা মায়োক্লরি। কনাগুম্বা নুপী খরদি মশা মথন্তা শিজবগী থৌওং ফাওবা চথরি।



মালেমগী ওইনা মেটর্নেল মেন্টল হেল্‌থ প্রোব্লেম অসি মরুওইবা পব্লিক হেল্‌থ চেলেঞ্জ অমা ওইনা লৌনরি। অদুবু মতৌ অসুম্না মীরোল্লিঙৈ অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা নুপী ওইবীশিংনা পূক্নিং ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্লবগী থৌওং অসি মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মেটা এনলাইসিস অমদা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী নুপী চাদা ২০ লোম অঙাং উনরবা মতুংদা ক্লিনিকেল দিপ্রেসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়বা খঙলকখি। দিপ্রেসননা মরম ওইরগা নুপীশিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহনবগা লোয়নন৷ পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংবু মওং তানা শেন্নবা ঙমহন্দে। মমা ওইবীশিংবু লায়েংদুনা দিপ্রেসনগী অৱাবা কোকহন্দবা তারবদি পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিং অদু খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্নরকপা য়াই।

খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগীদমক ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসনন৷ য়ুনিভর্সেল হেল্‌থ কোভরেজ (য়ু ঐচ সী) অমসুং হেল্দি লাইফ এক্সপেক্টেন্সি (ঐচ এল ঈ) গী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি। থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক অয়াম্বনা ইন্টিগ্রেটেদ মেটর্নেল মেন্টল হেল্‌থ প্রোগ্রামশিং পায়খৎনরে। শেল ইচঙ চঙদনা পায়খৎপা থৌরাং অসিনা মমা ওইবীশিং খক্তদা নত্তনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংদসু চাউনা কান্নবা ফংহনবা ঙম্লে।

নুপী ওইবী খুদিংমক মীরোল্লিঙৈ মনুং অমদি অঙাং উনরবা মতুং চহী অমরোমদি পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্নে। অদুবু লৈত-লায়রবা, ইমুং-মনুংদা তোয়না খৎন-চৈনবা থোকপা, কনফ্লিক্ট সিচ্যুয়েসন, মহৌশাগী মাঙহন-তাকহনবা থৌদোক থোরকপা অমসুং সোসল সপোর্ট ৱাৎপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নহনবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

অঙাং উনরবা মতুংদা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্নরবা নুপীশিং চাবা থকপদা চেকশিন্দবা মরম্না হকচাং শোকচিল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মশা মথন্তা শিজনিংবগী ৱাখল ফাওরকপগা লোয়নন৷ পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংদুসু শিবা য়াবগী রিস্ক মায়োক্নে।

পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং খুদিংমক অকোয়বগী ফীভমদা কা-হেন্না সেন্সিটিব ওইবা মরম্না মখোয়বু হীরম খুদিংমক্তা চেকশিন্না শেন্নবীবা মথৌ তাই। অদুবু মমা অদুনা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্নরবদি মতম চানা মচা খোল্লাং পীথকপা ঙমদে অমসুং মমা-মচা ওইবগী মরী লাপথোরকই।

পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মেটর্নেল মেন্টেল হেল্‌থকী থৌরাং অসি জেনরেল হেল্‌থ ক্যেরগী মনুং চলহনবগা লোয়নন৷ ৱিমেন'স হেল্‌থ, মেটর্নেল এন্দ চাইল্ড হেল্‌থ ক্যের, রিপ্রদক্টিব হেল্‌থ ক্যের অমদি অতৈ মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

হীরম অসিদা ডোক্তর খক্তনা য়েংশিনবা নৎত্রগসু নন-স্পেসলাইজ হেল্‌থ প্রোভাইদরশিংদা মেটর্নেল মেন্টেল দিসওর্দর মশক খঙদোকপা অমসুং শেন্নবগী থৌদাং শিন্নবা য়াই। মতৌ অসুম্না মেন্টেল হেল্‌থ গেপ ইন্টরভেন্সন গাইদকী মতেং লৌরগা মীরোনবী অমসুং অঙাং উনবদা ঙাইরিবী নুপীশিংগী পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা কান্নগনি।

হোর্মোনগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া থোরকপা মরম্না নুপী খুদিংমক মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং অঙাং উনরবা মতুংদা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্নে। অদুবু হীরম অসিদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তারবদি খুদোংচাদবা অসি খরমখৈ কোকহনবা ঙমগনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসনন৷ ফোঙদোক্লি।

# নুপী ফিল্ম রাইটরস অমসুং দিরেক্টরশিংগী থৌদাং

*ওজিৎকুমার লুৱাংচা*



মণিপুরগী অহানবা নুপী ফিল্ম দিরেক্টর এ কে গ্যানেশ্বরী



অহানবা ঐচ ভি এস সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মনা ফংখ্রবী ববিনা সলাম




সোর্ট ফিল্ম মেকর অমা ওইনা চঙশিল্লক্লিবী চনচল গুরু

মালেমগী ওইনা কনফ্লিক্ট থোক্লিবা লৈবাক কয়াগী ইস্যুশিং নৈনবা ফিল্মশিং তৎতনা ঐখোয়না ফিজংদা উবা ফংলি। নুপা দিরেক্টরশিংগী ফিল্মশিংনা তোখায়না থমখ্রগা নুপী দিরেক্টরশিংগী মীৎয়েংদগী থোরকপা মফম মফমদুগী ইস্যুশিং নৈনবা ফিল্মশিংসু ঐখোয়না উবা ফংলি। ঙসিদি নুপীশিংসু নুপাশিংগা রাইট মান্ননা কনফ্লিক্ট ইস্যুশিং নৈনরকপা ফিল্মশিং পুথোরক্লবা হোৎনবদা মাঙজিল থাগৎনরক্লি। মসি পোজিটিভ ওইবা খোঙথাং অমনি। নুপাশিংনা নুপীগী ওইবা ইস্যুশিং নৈনবদগীদি নুপীশিংনা নুপীগী নুংগী ওইবা ইস্যুশিং নৈনরকপদনা হেন্না মনুং থিংনা হজিন্না চঙশিন্দুনা উৎপা ঙম্লক্লি। মসি ৱর্ল্ড সিনেমাগী ওইনসু মায় পাকপা অমনি।

ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াদগী ইচঙ থৌনা নুপী দিরেক্টর কয়ানা মাগী মাগী লৈহাওদগী ওইবা মচুশিং শংবগী মমিশিং তাহনবা ঙম্বা কনফ্লিক্ট মেটরশিংবু ইস্যু অমমম ওইনা শাগৎনদুনা সিনেমাগী মেদিয়মদা মানা মানা শাগৎচবা মওংদা দিজাইন তৌদুনা উৎনরকপগা লোয়নন৷ মালেম শিন-থুংনা থম্মোয়গী খোল্লাউশিং য়ৌহনবা ঙম্মবা হোৎনদুনসু লাক্লি, হোৎসু হোৎনরি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা জপানগী নুপী দিরেক্টর নাওমি কাৱাসে নীংশিংলকই। লেট থার্টিসকী মতমদগী লাকখিবা জপানগী ফিল্ম ঈহৌবু হেন্না শাফু পীনবা মাঙজিল থানা চঙশিল্লকখিবী নাওমিনি। মহাক্কী সোর্ট ফিল্ম 'আই ফোকস ওন দেট ৱীচ ইন্টরেষ্ট মী' নম্মবা হোৎনবদা মশাগী ইনর্জি পুম্বা হৈথদুনা ফিল্মসিগী থৱায় হাপ্পবা হোৎনখি। ফিল্মসিদা মহাক্কী পূক্নিং ৱাখলগী ফিল্লিং পুম্বা তাউদুনা ঈরোইরিবা ইমোসন পুম্বগী মমি তাহনবা ঙমখিবদগী ফিচর ফিল্মদা ফিদা ফংবা হৌখি। কুমজা ২০০১ দা স্কাই, ৱীন্দ, ফায়র, ৱাটর, আর্থ কৌবা ফিচর ফিল্মসিদা লাইওইখ্রবা মহাক্কী মপাগা মহাক্না অমুক হন্না উনদুনা ৱারী শানবগী থীম পুখৎলকই। ফিল্মসিনা জপান পুম্বগী থম্মোয় নীকহনখি। নুপী ঙাক্তনা নুপীগী ইস্যু কয়া নৈনহন্দুনা ফিল্ম নম্বদা থোইদোক হেন্দোক্না মালেমনা শিংথানরিবী নাওমি নেসনল এরেনাদগী ইন্টর্নেসনল এরেনাদা ৱার্ক তৌরদুনা মহাক্কী ফিল্ম 'SUZUKU' না CANNES FILM FESTIVAL 1997 দা চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা Camera d'or এৱার্দ অমসুং চহী ১০ কান্নরগা মহাক্কী ফিল্ম 'MOURNING FOREST'/MOGARI NO MORI না CANNES FILM FESTIVAL 2207 দা Palme d'or এৱার্দ ফংবা ঙমখি। মসিমক্না মহাক জপানতা নত্তনা মালেমগী নুপী দিরেক্টরশিং মমিং পন্নরকপদা মহাক্কী মফম ফংবা ঙম্লিবনি। মহাক্কী মমাঙদা জপানগী নুপী দিরেক্টর সিনয়া, য়ামামোতোনা, ননাকো কুরিহরসু লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফিল্ম দিরেক্টরশিংগী কোনটেক্সতা মীৎয়েং থমদুনা নৈনরকপদা দিপা মেহতা অমসুং মিরা ন্যারগী মমিং পন্দবা ঙম্লক্তে। মখোয়না অনীনা ইন্দিয়ন সিনেমাগীদমক তৌরিবা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসনদি শিংথানিংঙাইনি। মখোয়গী ফিল্মশিংদা মখোয়না থেংনরিবা ইস্যুশিংগী মরমদা কুপথনা নৈনদুনা শাগৎলক্লিবা মখোয়গী ক্রিএটিব আইদিয়াগী মমিশিং মখোয়গী ফিল্মশিংদা তাবা থেংনৈ। দিপা মেহতাগী ফিল্ম ৱাটর অমসুং ফায়র ঙসিসু মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখলদা চুদুনা লৈরি। মিরা ন্যারগী ফিল্ম কামা সুট্রা অমসুং সলাম বোম্বে সু নৌদুনা অদুম লৈবগা লোয়নন৷ ৱাহং কয়া অমা ইশানা ইশাদা হংহন্দুনা লৈহৌরি। মখোয় অনীগী মতুং ইল্লকপা নন্দিচা দাস (ফিল্ম ফিরাক), পুজা ভাট (ফিল্ম-পাপ্‌), ফরাহ খান (ফিল্ম-ওম শান্তি ওম, দোন), জোয়া এক্টর (ফিল্ম- দিল ধরাকনে দো) অমদি অনু মেনোন (ফিল্ম- লন্দন-পেরিস-ন্যুয়োর্ক) সু কন্না হোৎনরক্লিবী নুপী ফিল্ম মেকরনি।

লমদমসিগী নুপীফিল্ম দিরেক্টরশিংসু ৱর্ল্ড ক্লাস লেবেল য়ৌবা ঙমগদবা ফিল্মশিংদা খুৎ থাহন্নিংবগী অপাম্বা পূক্নিংদা কন্না ফাওই। মণিপুরগী নুপীশিংগী হৈ-শিংবশিং ফিল্মগী মেদিয়মদসু উৎথোরকপা ঙম্মবা হোৎনহন্নিংই। নুপী দিরেক্টর অমগী মীৎয়েংদগী লমদমসিগী নুপীগী অশেংবা মশক উৎপা, পুন্সি মহিং নৈনবা, নুপীগী থাক, অখাঙ কনবা অমসুং লান্থেংশিংদা ফোকস পীবা সিনেমাটিক ট্রিটমেন্টশিং য়েংনিংবা ফাওরকই। কনফ্লিক্ট মেটরশিংবু ইস্যু অমা ওইনা পুখৎনরক্তুনা মশাগী পামজবা মওংদা দিজাইন তৌদুনা ফিল্মগী মেদিয়মগী মতেংনা উৎনিংলিবা নৎত্রগা লাওনিংলিবা খোল্লাউশিং মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবগী থৌদাং অদু লৌহন্নিংই। হিরম অসিদা নুপী দিরেক্টরশিং শোত্থদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। থৌনা ফুদোকপগী মতম থিন্থরবনি।

মণিপুরী ফিল্মগী অহানবা নুপী দিরেক্টর ওইরিবী এ কে গ্যানেশ্বরী ফিল্ম অনী (নুংশিরুরে ঐনা, নঙগা থেংনরমদ্রবা) পুথোকখ্রবা মতুং তুমদুনা লৈরুরবসু হৌজিক অমুক নৌহৌননা সোর্ট ফিল্ম অনী (ইচাগীদমক, ইমাগী ইবুংঙো) নমদুনা নৌনা কমবেক তৌরক্লি। সোসল ইস্যুদা নৈনবা ফিল্ম খরসু নম্বা হৌনবা কন্না শেম-শাগৎপা হৌরক্লি। মহাক্কী মতুং সিমা (ফিল্ম-কল্পনা, অশা, য়ুমলৈমা লমলৈমা), তায়েঞ্জম মেম্মা (পাউখুম অমা), শান্তা পোৎশংবম (হিয়াং অথৌবা, দা অফাও, সিঙ্গারৈগী লৈনম), দাইনা পোৎশংবম (অহিং অমদি হৌখরে, কুবীবা), সারা পোৎশংবম (কুবীবা) নচিংবসু থোরকখ্রে। মখোয়দি ফিল্ম য়াম্না দিরেক্সন পীখিবা নত্তে। ফিল্ম য়াম্না দিরেক্সন পীবা নুপী দিরেক্টরদি খোইবম হোমেশ্বরীনি। হোমেশ্বরী এস এস এস মনিফা ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০১৫ দা মহাক্কী ফিল্ম *ৱাইখু* গীদমক বেষ্ট দিরেক্টরগী এৱার্দ ফংখিবগা লোয়নন৷ অহানবা ফিল্মগীলমদা বেষ্ট দিরেক্টর ফংবা নুপী ওইরি। অনৌবা নুপী দিরেক্টর খরসু থৌনা ফনা চোংথোকপা হৌনরক্লে। চাংয়েং ওইনা মখোয়না সোর্ট ফিল্মশিংদা খুৎ থাবা হৌনরকই। বি রোজি (ফিল্ম- মতিং), চনচল গুরু (ফিল্ম- মীকুপকী লল, মদস ওন দ মুদদি মাইন্দ), ববিনা সলাম (ফিল্ম- তাঙ্গোই), ওলিবিয়া (ফিল্ম-মীনোক), নির্মলা চনু (নোংদম্বা), জুলি সোইবম (ফিল্ম-দ ফেট) নচিংবনা তাঙনা উরিবা নুপী ফিল্ম দিরেক্টরশিংগী থৌনাবু হেন্না মথৌ হাপচিন্নবা চোংথোরকপসিনা তাক্লিবসি মখোয়সু শোত্থদুনা লৈররোই, নুপাশিংগা লেং মান্ননা চৎমিন্নবা ঙম্মবা মাঙদা চেনখৎলক্লি উৎলকপনি।

হৌজিক্তি মালেম পুম্বদা নুপীশিংনা নুপাশিংগা লেং মান্ননা থবক থৌরমশিং তৌনরে। মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংলবসু থৌনা ফবী মরিল পানবী খরদি চোংথোরক্লে। মসি ওইদুনসু পেন্থোকপা ঙম্মবগী চাং য়ৌহনবা ঙমদ্রিবসিনাা তাক্লিবদি খরদি অদুম শোত্থরি উৎপনি। নুপীনা থাদা কান্নরবা, নুপীনা লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ ওইনরবা মতমনি। মচা পল্লগা ফিল্ম নম্বা ঙম্বা নুপী দিরেক্টর লৈতবা নত্তে। থৌনা লৈবী, মতিং উৎথোকপা ঙন্বী নুপী রাইটরস অমসুং ফিল্ম দিরেক্টর চোংথোকপীরকউ। অঙাং পোরগসু স্ক্রিপ্ট ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা ঙম্বগী মশিংখা ফুদোরকউ। ইমুং অমদি চাকখুমগী কুপনোমদা নৈশিন্দুনা লৈবীরনু। খুন্নাইগী চেকপল খুদিংমক লাপ্না লংথোক্তুনা নুপীগী ইস্যুশিংদা খুৎ থাবীদুনা নুপীগী মীৎয়েংদগী নুপীশিংগী চৈথেং চৈনা, পেন্দবা, নিংঙমদবগী মমিশিং ফিল্মদা নম্বা ঙম্বদো উনিংই। নুপীগী মীৎয়েংনা য়ৌশিনবা ঙমদ্রবা মফম অদুফাও চঙশিন্দুনা নুপীগী মীৎয়েংনা য়েংলকপা পাক চাউরবা সিনেমাগী এঙ্গলশিং য়েংনিংবা মীৎ কয়া অমনা খৌরাংনা ঙাইরি। কনশিনবা ঙমদনা হাংদুনা লৈরিবা নেসনল নৎত্রগা ইন্টর্নেসনল লেবেল (এরিনা) য়ৌবা ঙম্মবা ফিল্ম নম্বা ঙন্বী নুপী ফিল্ম রাইটরস দিরেক্টর চোংথোরক্লবা অমসুং অৱাংবা ফিদা ফংবা ঙম্মবা থৌনা ফুদোকহন্নিংই। মতাং অসিদনি নীংশিংলক্লিবা নাওমি কৱাসেগী ৱাহৈশিং "There is nothing human beings can't do if got the potential to do it."

# স্মোকি লেক্কী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ : এসেন্ট রেপর্টোরি ঠিএটর, ইম্ফালনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মতেংগা লোয়নন৷ পুথোক্কদবা ইন্দিবিজুয়েল প্রোজেক্ট সোলো প্লে *স্মোকি লেক* কী য়াইফ থৌনি থৌরম অমা হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়দা লৈবা চিংথাম লোনদা পাঙথোকখ্রে।


স্মোকি লেককী ঙরাং পাঙথোকখিবা য়াইফ থৌনি থৌরম অদুদা শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর চিংথাম বানিকান্তনা চীফ গেষ্ট অমদি রেপর্টোরি ঠিএটরগী দিরেক্টর এম দি জুমা খাননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা বানিকান্তনা হায়খি, সোলো ঠিএটরদা খোঙ থাংজিনবা সোলো প্লে অমা পাঙথোক্লবা চঙশিনবা হায়বসি আর্টিষ্ট অমগী মায় পাকপগী লীক্লম অমা শেম্বা হৌরবনি। আর্টিষ্ট ১০/২০ না শান্নবা অতেনবা লীলা ফাওবদা মপুং ফানা লোইবা ফাওবা য়েংনদবগী ফীভম অমা লাক্লবা মতমসিদা সোলো পাফোর্মর অমনা পুং ১ হেন্না শান্নদুনা ওদিয়েন্স ফাজিনবা ঙম্নবা লীলা তৌবা হায়বসিমুক লুবা অমা লৈত্রে। সোলো প্লে অসি লাক্লিবা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা উৎননবা পান্দম থল্লি। ৱান মেন সোগী ঙসিগী ঠিএটরদা চেন্থরক্লিবা ঈচেল অসিদা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমখক্তনা শান্নবা *হয়েংগী নুপী* হায়না মিংথোনবা পুং ১ শাংবা সোলো প্লে অমা থোরকখি। চবুংবম শরতনা দিরেক্সন পীবা প্লে অসিগী অইবসু লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা মঙানা পুন্না ওইমিন্নখি। হায়রিবা প্লে অসি অমুক্তং উৎননবা হোৎনবদা লুপা লাখ হেন্না চঙবনা মরম ওইরগা তোয়না উৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈখি। অদুবু হায়রিবা প্লে অসি মরিরক উৎখিবদি মীয়াম্না উনহৌই।

স্মোকি লেক হায়রিবা প্লে অসিগী য়াইফ থৌনি থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা চিংথাম বানিকান্তসু সোলো দ্রামা পুথোক্তুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা কয়া পুরকখ্রবা মীশক অমনি। অদুগা থৌরম অসিগী মরুওইরিবা মীশক অমা ওইখিবা বুধ চিংথামগী মশক মমিং লৈরবা প্লে কয়া লমদমসিগী মীয়াম্না পাম্না য়েংনরি। মহাক্না ইবা এক্সপ্রিমেন্টেল প্লে কয়ানা মণিপুরী ঠিএটরদা অকনবা শাফু পীরক্লিবনি। মরম অসিনা স্মোকি লেক হায়রিবা প্লে অসিসু থোইদোকপা মহাও অমা শোয়দনা পীরবা য়াই হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা থাজবা থম্নরি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা প্লে অসি অতোপ্পা লোলদগী মীতৈলোলদা হন্দোক্লগা শান্নগদবা প্লে ওইবনিনা খরা হেন্না চেকশিনবগী মথৌ তারি।




স্মোকি লেক হায়রিবা সোলো প্লে অসি মালেমগী শক্লাইরবা আইয়রলেনগী প্লে রাইট জে এম সিনেজনা ইবা *রাইদর্স টু দি সি* হায়বদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা বুধ চিংথামনা মণিপুরদা ইথোকপনি। সোলো প্লে অসিগী দিরেক্টর অমসুং পাফোর্মরনা প্রসান্তা মোইরাংথেমনি। প্রসান্তা মোইরাংথেম মেটা ঠিএটর ফেষ্টিবেলদা এক্টর ওইনা অনীরক শরুক য়ারুরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মালেমগী ওইনা সোলো প্লে হায়বসি অনৌবা ঠিএটরগী খোঙ্থাং অমা ওইনা কন্না চঙশিন্নরক্লি। চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরদা নুপী মীরমগী চৎনবী কয়াদা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎখিবা প্লে ওইবনিনা মণিপুরী খুন্নাইগী পুন্সি মহিংগা চুশিন্ননবা হোৎনবদা থোইদোক্না হৈ-শিংবা মথৌ তাই। প্লে অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবশিং মরুওইনা নহা ঙাক্তা ওইবনিনা চাংয়েংগী খুপুথোক অমদা নীংথিনা শেম-শারগা পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। লুরিবদি সোলো প্লে হায়বসিদি প্লেসিগী এক্টর ওইগদৌরিবা মীশক অদুদা মরুওইবা মায় পাকপা লৈগদবনি। মরম অসিনা এক্টরনা কন্না হোৎনবগী মথৌ তারি।